থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

কমপ্রোমাইজ তৌরগা হিংলিবা সিনেমা

ফিল্ম হায়বসিগা সিনেমাগা ৱাহন্থোক তোঙাল্লগসু কন্মন ওইবা মীয়াম্নদি অমত্তা ওইনা লৌনৈ। মণিপুরী ফিল্ম হায়রসু, মণিপুরী সিনেমা হায়রসু করিমত্তা খেন্নদে। অনী অসি অমত্তনি। ঙসিগী পাউদম ওইনা ইগে খঞ্জরব্সি একাদেমিক ওইবা আর্টিকেল নত্তে। থম্মোয় অমদা ফাওরকপদু অতোপ্পা থম্মোয় অমদা পাউদম্বনি। ইচম চম্বা খূৎইনি। কনাগুম্বা অপাবা অমনা অপান্ননা হায়গে খন্না হায়বা ৱা অমত্তা য়াওবা নৎচদে। অদুবু, মী মশীং য়াম্বনা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীদা ৱাগী ৱাপা চানরুদুনা ফিজি-ফিনা নেৎপা থোক, খোয়খা লিনখা থানবসু য়াওখিদবা নত্তে মাঙলমচত্তা। অদুগুম্বা তানফমদু হেক য়াওরকপা থোক্ল’সু ঙাকপীনবা ৱামাঙ য়ানজবনি।

সিনেমাদা ঙাওদবা মীচম-মীয়াম্বু লৈবরা? সিনেমা টিকেট ইন্নদুনা লৌবা ঙম্বদা অকনবনি খঞ্জরম্বা সিনেমাদা ঙাওজবা মীশক অমনি ঐ। ‘সিনেমা প্রোগ্রাম’ হায়বসি পাখঙ-লৈশা অনীগী শোয়ফদ্রবা উন্নফম/ নীংশিং খুদম থম্নফম ওইরম্বনি মতমদুদা। হৌজিক্তি সিনেমা হোলগী মহুত্তু রেষ্টুরেন্টকী অমম্বা কা’না শিনখিবনি। মদুনা ওইখি অনৌবা রোমান্টিক কলচর অমগী অহৌবা। ঐখোয়গী রোমান্তিক কলচরগী অওনবসি য়েংবীয়ু - মেরাগী থাবলদা খোঙবীনা লৈমায়দা তক্লগা শাবা ৱারীদগী ফিল্মগী কাউঙমদ্রবা ঈশৈগী মরক্তা নাপ চীল্লোক্লবা ৱারী। মদুগী মতুং তারকপদা রেষ্টুরেন্টকী কাদুদা থম্মোয়-থম্মোয় শিন্নবা। থম্মোয় শিন্নবদই হেনজিনবা খরা পীথোক-পীশিন তৌনরকপদগী রেষ্টুরেন্ট কলচর থূপচিল্লকখি। হৌজিক চৎনরিবসি মোবাইল ফোন কলচরনি।

ঙসি মণিপুরী ফিল্ম/মণিপুরী সিনেমা হায়বা শক্তম অমা শাগৎলক্লিবা - ‘মতু-মমান খিংলক্লে’ ঙাওনরিবা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম - তাখিবা মমি অদুগী ৱাংমদা অতোপ্পা শক্তম অমা শাগৎলকপা নৎখিদে। হান্না তাখিবা মমিদু হেন্না ময়েক শেংলকপনি। মপূম ফারমদবা শক্তমদু মপূম-মরৈ ফারকপনি। ইশাগী ওইবা আইদেন্টিটি অমা শাগৎলকপদি ঙমখিদে। নুপীগী ফিজেৎ-লৈতেংদা ইনাৎকী ফিজোল শেৎহল্লগা, মণিপুরী ফিল্মগী আইদেন্টিটি শাগৎলক্কদবা নত্তে হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নগদবনি। চহী য়াঙ্খৈ শুদ্রিবা মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারীনি। ‘ফাষ্ট-ত্রেক’তা অমুক্তং হাইগত্তুনা য়েংলুসি।

কুমজা ১৯৭২দা মণিপুরী লোন’দা নম্বা অহানবা ফিল্ম ‘মতমগী মণিপুর’ পুথোকখ্রবা মতুংদা চৎলক্লিবা মণিপুরী সিনেমাগী খোঙচৎ-তশেংনমক শীংথানীংঙাই মশকনি।

মণিপুরী সিনেমানা শকফোঙলকপদা ঙায়রিঙৈ, মায় পাকপই লম্বীদা অকনবা লম্বা তৌনখি। ‘লমজা পর্শুরাম’ না রেকোর্দ থুগায়রে তাবদা ওবজর্বর ইম্ফালদা লাকখি হায়নখি। মণিপুরী সিনেমা’দা চহী ‘নিপান’ মপূম ফাদ্রিঙৈ, ইন্টরনেসনল থাক্তা কারকখি। ‘ইমাগী নিংথেম’ না ফিল্ম মেকর শ্যাম শর্ম্ম’বু ইন্টরনেসনল এরেনা’দা চিংশিনখিবদগী শ্যাম শর্ম্মা, ‘কম্মর্সল ফিল্ম’ দগী মমায় লৈখি। অনৌবা ফিল্ম-মেকরশিংবু লম্বী লমখায় অমদা থল্লমখি - গুদ ফিল্ম হায়না খঙনবা ফিল্ম মখলদুনা লমথুংফম ওইবা লম্বী অমগা ‘ফোর্মুলা ফিল্ম’ হায়না খঙনরম্বা কম্মর্সল ফিল্মগী লম্বী অমগা। চহী অমদা ফিল্ম ৪০-৫০ পুথোক্লে হায়না ক্লেম তৌরিবা মণিপুরী সিনেমাগী য়াওলসিনা শিথখ্রবা সিনেমা হোলশিং অমুক হিংগৎহনবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? মরৌ লৈবা ৱাহংনি।

তোঙান তোঙানবা লম্বী অনীসিদা চৎনখ্রিবা ফিল্ম মেকর মখল অনীসিগী মায় পাকপগী পাদম মান্নদে। অমগীনা করম করম্বা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল’দা য়াওননবা ইনভাইটেসন ফংলবগে হায়বই পাউদুনা মায় পাকপগী চাং লেপ্পী। অতোপ্পা লম্বী অমদুগীনা ফিল্মদুনা ‘লুপা কয়া খোমগৎপা ঙম্লবগে’ হায়বদুনা লেপ্পি। মতম অমদদি সিলভর জুবিলী/গোল্ডন জুবিলী হিট কয়া পুথোকপা ঙম্লবগে হায়বদুনা ষ্টার অমগী মমল লেপ্পন্বদু, ঙসিদি নুমিৎ কয়ানিদা লুপা ক্রোর কয়া খোমগৎপা ঙম্লবগে হায়বদুনা লেপ্পরে। সিলভর জুবিলী হিট - কনানসু হায়নখিদরে।

ঙসি ওইরিবা মণিপুরী ফিল্মগী থাক অসি করম্বা পেরামিটরদা য়েংলগা লেপকদগে? ঐতা নত্তে, অদোমসু চমম্নগনি। ‘বোট’ নৎত্রগা ‘এম এস এফ দি এস’ ওদিটোরিয়মদা রিলিজ/প্রিমিয়র শো নুমিত্তা, খঙন-চান্নবা-মরুপ-মপাং কয়াদা দোনর কার্দর কয়া য়োলহৌদুনা লুপা কয়া খোমগৎপা ঙমহৌরবগে হায়বই চাং অদুনা ফিল্ম অমগী মায় পাকপই চাং লেপ্পরকপা কুইরক্লে। সিনেমা হোলশিংদা রিগ্যুলর শো উৎলগা ফিল্মগী রিভিন্যু খোমগৎকনি হায়বা ৱাখলদুনা সেকেন্দরি কন্সর্ন ওইখরে।

অফবা ফিল্ম অমা ওইননবা, কম্মর্সিঅল নৎত্রগা নন-কম্মর্সিঅল ওইনীংবদু ওইসনু, খ্বাইদই মরু ওইবদি - অফবা স্ক্রিপ্ট অমদি অফবা স্ক্রিন-প্লে অসিনি। দিরেক্টর/প্রোদ্যুসর অমগী খ্বাইদই অহানবা মরুওইবা থৌদাংদি - ফজবা ৱারী থিবা অমদি অফবা অইবা খনবসিনি। মথংদা চানবা ষ্টার-কাষ্ট (কনানা করম্বা ক্যারেক্টর শাগদগে) খনবদুনি। থবক অনীসিদা কয়া চেকশিন্না খন্দবগী মমি অমা চাউনা তাবদু লুপা তরা পীবা সী দি ওইনা পুরক্লগা ঐখোয়’ মমানা ঐখোয়’ টি ভিদা কাপ্পা ফিল্মশিংদা ওখাক য়াম্না থেংনখ্রে। সিনেমা পামজখ্রবা ঐহাক্না সিনেমা হোলদা চৎখিদবা কুমজা ফনা য়াল্লইনি, মশীংদুদি থিহৌদ্রে। ঐখোয় স্বায়গী ফিল্ম এক্টর (নুপা-নুপী) অয়াম্বা, মহাক্না লৌরিবা ক্যারেক্টরদু ওইনা উদবা, এক্টর-ইনিদভিজুঅল (মিষ্টর এক্স/ৱাই/জেৎ) অদু ওইনা অদুম উরিবসিবু ঐগী মীৎ’না শোয়বনরা/ এক্টরদুনা শোনবনরা? অমদি শোয়দনা ওইরমনি। ফিল্ম প্রোদ্যুসর মরুপ খরনা লীখিবা ‘মমিং চৎলবা এক্টর অমা, মাগী শুটিং-স্পোট’তগী মাঙখ্রগা অতোপ্পা অমগী শুটিং চৎলম্ব’গী ৱারী তৌরকখিবদু নীংশিংলকই। ‘মহাক নৎত্রদি লৈত্রবরা করিগী কুমহল্লিবনো হায়রুবদা খুল্লকখি ‘অতে অনৌবা কুমহল্লুরে, অয়েংবনা য়েংবীরোই’। দিরেক্টর/ প্রোদ্যুসরশিংনা এক্টরশিংগা কমপ্রোমাইজ তৌবই ৱাঙাঙনি। ক্বালিটি হায়বসি কমপ্রোমাইজ তৌবা য়াদবনি - খঙদবসিনি লুরিবা।

লৌশিং পুক্কে

ষ্টেম সেল থেরাপিগী কান্নবা

হার্ট এটেক তৌখ্রবা মীওই অমগী ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লত্তুনা কয়াৎশিংদা ঈ য়ৌরক্তবদগী টিস্যু অমসুং মশল শিথরকই। মসিনা মরম ওইরগা হার্টকী মথৌ লেপহনখিবা য়াই। অদুবু বৃটেনদা হৌজিক হৌজিক চাংয়েং তৌবগী থাক্তা লৈরিবা ষ্টেস সেল থেরাপিগী মতেংনা হার্ট ফেল ওইরবা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

অনৌবা লায়েং মখল অসিদা অনাবা মীওই অদুগী ঈদগী লৌবা সেলশিংনা অমাঙ-অতা থোক্লবা টিস্যু পুম্নমক শেমজিনগদবনি। পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি য়ুমদা লৈনা লৈনা অদুম্মক লায়েং মখল অসি চথবা য়াই। মদুগীসু মথক্তা হার্ট এটেক তৌখ্রবা মতুংদা মাঙ তাক্লবা হকচাংগী কয়াৎশিং শেমজিনবদা শুপ্পগী থা খরতমক চঙই। কার্দিয়ক এরেষ্ট তৌখ্রবা মীওই মঙাগী মনুংদা মীওই অমা অনৌবা লায়েং মখল অসিনা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লে হায়না ‘দেলি এক্সপ্রেস’ পাউচেদা রিপোর্ট তৌরকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্গকী বৃটিশ হার্ট ফাউন্দেসন সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সকী প্রোফেসার দেবিদ ন্যুবাইনা হায়খি, হার্ট এটেক তৌখ্রবা মীওইশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা ফীভম ফগৎলকপগী খুদম ফংবা ঙম্লে। অকক্লবা ষ্টেম সেল শীজিন্নদুনা অমাঙ-অতা থোক্লবা মশল শেমজিল্লগা অপীক-অপীকপা ঈ উতোংশিং নৌনা অমুক শমজিন্নহনবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি অমাঙ-অতা থোক্লবা হার্ট শেমজিনবদা বোন মেরোদগী লৌবা ষ্টেম সেলশিং শীজিন্নরি। অদুবু অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা CD34+ ষ্টেম সেলশিং মশীং য়াম্না লৌরগা ঈ উতোং ফাওদুনা হার্টতা থাজিল্লি। করিগুম্বদা অনৌবা থৌরাং অসিনা মায় পাকপা থোক্লবদি হার্টকী লায়নানা নারবা মীওইশিংদা ওপন হার্ট সর্জরি তৌবা অমসুং অতৈ হিদাক-লাংথকশিং থাবগী মথৌ তাররোই।

হার্টকী মশলনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবদগী ঈ মরাং কায়না থাদোরকপা ঙমদবগী থৌওংবু হার্ট ফেল ওইবা নৎত্রগা কঞ্জেষ্টিভ হার্ট ফেলিয়র হায়না খঙনৈ।

হার্টকী ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লকপা (কোরোনরি অর্টরি দিজিজ) নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা হার্টকী মপাঙ্গল শোন্থরকপদগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবনি। হার্ট ফেল ওইবগী মরম খুদিংমক খঙদোক্লগা চপ চানা ফহনবা ঙমদ্রি। অদুবু মতম চানা লায়েংলগা পুন্সি শাংদোকহনবদি ঙম্মী।

পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা সোদিয়ম য়াওবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাদবা, পূক্লিং-ৱাখলগী চরাংনবা কোকহনবা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লগা ফনা য়াম্না ফীভম ফগৎহনবা ঙম্মী।

হার্ট ফেল ওইবগী লায়ওং খরদং পনবা তারবদি হীপথরগা চনিং তানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদবা; কা হেন্না হকচাং চোকথবা; খোঙ খুজেং অমসুং খোঙয়া পোমখৎপা; হকচাং শাজেল তৌবা ঙমদবা; তোয়না লোক খুবা; নিংশা শ্বর হোনবদা মখোল থোকপা; নুমীদাং তোয়না মপান থোকপা; পূক কংখৎপা; অতেনবা মতমগী মনুংদা হকচাংগী অরূম্বা খংহেন হেনগৎলকপা; চানিং থক্লিংবা ফাওদবা; কোক ঙাওবা; থবক অমত্তদা পূক্লিং চঙবা ঙমদবা; ইখঙ খঙহৌদনা নিংশা থবেৎ থবেৎ হোল্লগা লোক খুবা অমসুং থবাক নাবা অসিনচিংবনি।

হার্ট ফেল ওইহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। ইজেক্সন ফ্রেক্সনগী মতেংনা ওল্লগা হার্টকী মথৌ কয়া য়াম্না ফজনা তৌরিবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙম্মী। মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লিবা হার্ট অমগী ইজেক্সন ফ্রেক্সন চাদা ৫০ হেল্লি। মসিনা তাক্লিবদি হার্টকী ভেন্ট্রিকলদা চঙলকপা ঈ চাদা ৫০ হেন্না কাপথোক্লগা হকচাংগী অতৈ মফম পুম্নমক্তা য়ৌহনবা ঙম্লি হায়বনি। অদুম ওইনমক ইজেক্সন ফ্রেক্সন নোর্মেল ওইবা মীওইশিংদসু অদুম্মক হার্ট ফেল ওইরকপা য়াওই। ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা হার্টকী মশল কনশিল্লকপদগী ফীভম অসি ওইরকপনি।

লেফ্ট সাইদদে হার্ট ফেলিয়র, রাইটসাইদদে হার্ট ফেলিয়র, সিষ্টোলিক হার্ট ফেলিয়র অমসুং দাইষ্টোলিক হার্ট ফেলিয়র হায়দুনা হার্ট ফেল ওইবগী মখল খরা লৈ।

লেফ্ট-সাইদদে হার্ট ফেলিয়র ওইরবদি লংসতা মহী পৈশিল্লকপদগী চনিং তানা নিংশা হোনবা ঙমদে। রাইট-সাইদদে হার্ট ফেলিয়রদনা পুক, খোঙ অমসুং খোঙয়াদা মহী পৈশিল্লকপদগী হায়রিবা মফমশিং অসি পোমখৎলকই। সিষ্টোলিক হার্ট ফেলিয়রদা লেফ্ট ভেন্ট্রিকল মপুং ফানা চপশিনবা ঙমদবদগী ঈ থাদোরকপা ঙমদে। দাইষ্টোলিক হার্ট ফেলিয়রদনা লেফ্ট ভেন্ট্রিকলদা মপুং ফানা ঈ য়ৌরকপা ঙমদে।

হার্ট ফেল ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি কোরোনরি অর্টরি দিজিজ, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, হার্টকী ভালব শোয়বা, হার্টকী মশল শোকচিল্লকপা, ভাইরসনা হার্টকী মশল শোকহল্লকপা, হার্টকী তাম্থা কায়রকপা অমসুং অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ানা হার্ট শোকহল্লকপা অসিনচিংবনি।

ঙাকথোক্লবগী মরুওইবা পান্থৈদি পুন্সি মহিং শেমদোকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা, ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দবা, ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং কন্ট্রোল তৌবা, অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, হকচাংগী অরূম্বা হেলহন্দবা অমসুং পূক্লিং ৱাখল লাংতক্লহন্দবা অসিনচিংবনি।

এম য়ুগী ভি সীগী চার্জ পুরিবৈঙদা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা পীসি : খাইদেম মনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী পান্দে লৌথোকউহায়বা খোঞ্জং নুমিৎ ৫৫নী শুরবনি। ভি সী অসি সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অদুগী মহুত্তা এক্টিং ভি সী হাপ্লকপা অমদি থিজিল্লিঙৈ মনুংদা মহৈরোয়শিংগী খুদোংচাবা পীবিসি হায়না সেনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটি মণিপুরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি খাইদেম মনিনা হায়খি, ঙসি ফাওবদা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ভি সী পান্দে লৌথোকউ, এম য়ুদা লৈহনগনু হায়বনি। ইনক্বারি তৌবীয়ু হায়দুনা পান্দেগী মথক্তা চার্জ কয়া তৌরিবনি। অদুবু থা ১ ছুটিদা লৈহল্লগা থিগৎনবা অয়াবা পীবনি অমদি ইন চার্জ ওইনা প্রোফেসর দব্লিয়ু বিশ্বানাথৎতা শিন্নরে। ফীভম অসিদা হায়নীংবদি মহৈরোয় অমদি রিছার্স তৌরিবা অমদি এম য়ুদা এফিলিএট তৌরিবা মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি মাঙননবগী মরম ওইদুনা লাক্লবনি। মরম অদুনা প্রোফেসর দব্লিয়ু বিশ্বানাথৎনা ইন চার্জ ওইনা থৌ পুরিবা অসিদা এগজামিনেসনগী রিজল্ট হায়দোক্কদবা অমদি সার্টিফিকেট পীথোক্কদবনচিংবশিং অদু তৌহনবীয়ু। মখোয়না পাল্লিবা অদু সেনিয়র সিটিজনশিংগীসু অপাম্বনি। দ্যু প্রোসেস লোদা লাক্কদবা ওইবনা ষ্ট্রাইক অসি হন্দোকহন্নীংই। মতম খরদংগী ওইনা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা কোমথোকহনসি। হৌজিক্তি ইস্যু ময়ামনা নল্লগা লৈরে। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টসু লাক্কদৌরে হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সদানন্দনা হায়খি, অহল ওইরবশিংগী ৱাখলদদি মাঙজগদৌরিবসি মহৈরোয়শিংনি। হায়র এদ্যুকেসন্দদা থা ২ মহৈ তম্বা লেপ্তুনা লৈবা মরম্না ইন চার্জ ভি সী লাকপদা মেনখৎপা য়াবা মেনখৎহৌসি হায়খি।

স্বাছ ভারত মিসন (গ্রামিন)গীদমক লুপা ক্রোর ১.৫ ঈ বি আর ওইনা খোমগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩(ঐচ এন এস): শেনবা চহী ২০১৮-১৯ গী ওইনা স্বাছ ভারত মিসন (গ্রামিন)গী এক্সত্রা বজেটরি রিছোর্সেস (ঈ বি আর) ওইনা নবার্দকী খুৎথাংদা ফন্দ লুপা ক্রোর ১৫,০০০ ফাওবা খোমগৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চোর লৌদুনা ফমখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

ৱারেপ অসিনা স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা ইনসেন্টিভ পীবদা মতিক চারবা খুঙ্গংগী ইমুং ক্রোর ১.৫ রোম অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টশিংবু সোলিদ এন্দ লিক্বিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট (এস এল দব্লিয়ু এম) এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা কান্নহল্লগনি। লুপা ক্রোর ১৫,০০০ গী লোনগী শেনফম অদু য়ান্নখিবা টর্মস অমসুং কন্দিসন্সকী মতুং ইন্না পীথোকখিবা মতমদগী পারগা চহী ১০ লোইবদা সিঙ্গল বুলেট পেমেন্ট ওইনা নাবার্দতা শিংগনি।

নাবার্দকী খুথাংদা ঈ বি আর ফন্দশিং লৌখৎকদৌরিবসি ষ্টেটশিং/ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চপ চাবা তঙাইফদবা চঙগদবশিং/এক্সপেন্দচর খন্নরবা মতুংদনি। এস বি এস (জি)গী ফন্দশিং লৌনবা অমসু ফন্দশিং অদুবু ষ্টেটশিং/য়ু টিশিংগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংদা য়েন্থোক্লবগীদমক্তা লোয়ননা লোন অমসুং ইন্টরেষ্টকী শেনফম শিংবদা নেসনল সেন্টর ফোর দিঙ্কিং ৱাটর, সেনিটেসন এন্দ ক্বালিটিনা রিসেপতেকল এজেন্সি অমা ওইনা থবক তৌগনি। মসিনা টার্গেট তৌবা মতমগী মনুংদা এস বিএম (জি)গী মরাং কাইনা অমসুং মতম চানা ফংহনবদা মতেং ওইরগনি হায়রি।

কেবিনেট মীফম অদুনা ইন্টরনেসনল সেন্টর ফোর দ্রিঙ্কিং ৱাটর ক্বালিটিগী থবক্কী স্কোপ হেন্না পাঙথোক চাওথোকহন্দুনা এস বি এম (জি)গীদমক ঈ বি আর ফন্দশিং লৌবা, মদুবু ষ্টেটশিং/য়ু টিশিংগী ইমপ্লিমেন্ট এজেন্সিশিংদা য়েন্থোকপা অমসুং মদুবু শিংবগা মরী লৈনবা থবক পায়বগী অয়াবসু পীখি। সোসাইটি অসিগী মমিং ইন্টরনেসনল সেন্টর ফোর দ্রিঙ্কিং ৱাটর ক্বালিটিগী মহুত্তা নেসনল সেন্টর ফোর দ্রিঙ্কিং ৱাটর, সেনিটেসন এন্দ ক্বালিটিদা ওন্থোকপদসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

বোলেরোনা থোম্বদা মহৈরোয় নিপান অশোক অপন নংলে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোইরাং খোংয়াংবম লৈকায়দা বোলেরো অমনা অঙাং নিপান থোম্বদগী শোক্তুনা শিজ হোস্পিটাল অমদি মোইরাং কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্তরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। মারুটি ভেন অমনা স্কুলগী অঙাংশিং পুদুনা লাকপদা মোইরাংগী খোংয়াংবম লৈকায় মনাক্তা লৈবা ন্যু মোদেল পব্লিক স্কুলগী মপাদা গাড়ী অদু খাল্লগা অঙাংশিং অদু মারুটি ভেনদগী কুমথরগা লম্বী লান্থোরকপদা লম্বীদা লাকপা বোলেরে (এএস০১জেসী/ ১৭৬৮) অমনা থোম্বদগী অঙাং মরি খরা থিনা শোক্তুনা লাঙ্গোলগী শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে, অতোপ্পা অঙাং মরিনা মোইরাংগী কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্তরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

অঙাং নিপান অদুগী মনুংদা খরা থিনা শোকখিবশিংদি তোংব্রম বোনি (১০) অপোকপা দিনেস্বর কৌই। মহাক চান্দপুর মেরাবম লৈকায়দা লৈবনি। অশোকপা অঙাং নিপান অদুগী মনুংদা নুপা মঙা অমদি নুপীমচা অহুমনি হায়রি। মখোয়গী মমীং মথাদি চপ চানা ফঙবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, জুলাই ৩১ গী অহিংদা মশক খঙদবা গাড়ী অমনা ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ময়াই লম্বীগী চন্দ্রনদি লমখায় মখাদা লম্বীদা খোঙনা চৎলম্বা নুপী অমা থোল্লম্বদগী ৱাখল তাদনা লায়কন্নরকখিবা অদু ঙসি লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমীং কহাজম সনাতোন দেবী (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা নাওতোন কৌই। মহাক কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, মহাক হৌখিবা জুলাই ৩১ গী নুমিদাংদা গাড়ী অমনা থোল্লম্বদগী লম্বীদা ৱাখল তাদনা লৈরম্মী। মহাকপু পুলিসনা লৌখৎলগা অহানবদা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মতুংদা পোরোমপাৎকী জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবনি। অদুবু জেনিমস হোস্পিটালদা মহাক্কী অরোয়বা ফিভম লাকপদগী পুলিসনা দোক্তরগী পাউতাক মতুং ইন্না ৱাঙ্গৈইগী কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্তরদা পুথখি। মতুংদা মহাক থা অসিগী ১ গী অয়ুক পুং ৩ রোম তাবা মতমদা লৈখিদবনি হায়রি।

নুপী অদু লৈখিদ্রবা মতুংদা মশক মমীং খঙবা ঙমদনা লৈরম্বদগী ঙসি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং লাক্লগা শক তাক্লম্বদগী খঙবনি। অশিবা হকচাং অদু হয়েং রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্তেম তৌরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নরগনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাঙ্গৈই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): য়ুনিফাইদ রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (য়ু আর দি ও) কাইরেনবিখোক্লা ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগা খুৎশম্নদুনা ব্লদ দোনেসনগী মতাংদা ঙসি কাইরেনবিখোক অৱাং লৈকায়দা নোংমগী ওইবা এৱ্যার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

রোল ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনর ইন মণিপুর হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ব্লদ বেঙ্ক থৌবালগী মেদিকেল ওফিসর ডো. দোরেন্দ্রো, সোসিএল ৱার্কর ইরোম রোমিচান অমসুং ৱাংবল গ্রাম পঞ্চয়টকী উপ প্রধান লাইশ্রম খোগেন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

ব্লদ বেঙ্ক থৌবালগী এম ও ডো. দোরেন্দ্রোনা রোল ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন ইন মণিপুর হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা ব্লদ দোনেসনগা মরী লৈনবা মরীক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

অপ্পর অসামদা ওটোনোমস ষ্টেট তানবগী খোঙজং কনশিল্লকপদগী দিল্লি য়ৌখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সি) ঃ অপ্পর অসামগী হীল দিষ্ট্রিক্ট অনীদা ওটোনোমস ষ্টেট তানবগী খোঙজং কনখৎলক্লে। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অনীবু ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌশাবিদবা মরম্না তোখায়বা ষ্টেট অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৬৯ দা চৎনহনখিবা কন্সটিটুসনগী আর্টির্কল ৩৪৪ (এ) মপুং ফানা চৎনহল্লগা অসামদগী দিষ্ট্রিক্ট অনী খায়দোক্তুনা তোখায়বা ওটোনোমস ষ্টেট অমা শেমগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লখিবা মীওইশিংনা তকশিল্লকখি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টির্কল ২২৪ (এ) চৎনহনগদবনি হায়না তকশিল্লিবা কর্বি অংলোং অমসুং দিমা হশাও দিষ্ট্রিক্টকী লুপশিং অদুদি কর্বি অংলোং-নোর্থ কছার হীলস ওটোনোমস ষ্টেট দিমান্দ কম্মিটি, জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ফোর ওটোনোমস ষ্টেট, কর্বি লোংগ্রি নোর্থ কাছার হীলস লিভরেসন ফ্রন্ট, কর্বি ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, দিমাসা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, কর্বি সো-অরলো আমৈ, কে য়ু ৱাই এ, কর্বি রিসো অদোরবার, বি জি পি অমসুং দিমাসা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসননি। লুপশিং অসিনা জুলাই ২৭ তা ন্যু দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিটতা খোঙচৎ অমা চত্তুনা তোখায়বা ওটোনোমস ষ্টেট শেম্বগী ৱাফম লৈঙাক্তা তকশিনখি। নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মীওই চা কয়ানা সীট ইন প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ভারতিয়া গোর্খা পরিসংঘ নোর্থ ইষ্ট জোনগী জেনরেল সেক্রেটরি লাকপা লামানা হায়খি, অসামগী কর্বি অংলোং অমসুং দিমা হশাও দিষ্ট্রিক্ট পুনশিল্লগা তোখায়বা ওটোনোমস ষ্টেট অমা শেম্নবগী মতাংদা মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্তা লৈরিবা মীওই পুম্নমক্না ওটোনোমস ষ্টেট তানবগী ৱাফম মপুং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, বি জে পি নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি অমদি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দদা অইবা চেরোল পীশিনখি।

জিরিবামদা মীতোপ চঙলকপা চেক তৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): য়ুমথংনবা ষ্টেট অসামদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন (এন আর সী) চৎনবা হৌখিবদগী থংনবা ষ্টেটশিংদা মীতোপ হায়জিল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মণিপুরগী জিরিবাম, মোরে, মাও অমদি ইম্ফাল এয়রপোর্টনচিংবদা হৌজিক চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা মীতোপ চঙলকপশিং মরী লৈনবা চে-চাংশিং য়াওব্রা হায়না চেক তৌবগী থবক চথরি।

জিরিবামদগী ফঙবা পাউনা হায়, সিক্যুরিটি ফোর্সনা জিরিবামগী অসামগা তায়নবা বরাক তুরেলদা ঈশিংগী লম্বীদা হি হোন্দুনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা চেক তৌরি। মসিদা নত্তনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ গী জিরিবাম থোং মনাক্তসু পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মপানদগী চঙলকপা মীওইশিং মরী লৈনবা চে-চাং য়াওব্রা হায়বগী চেক তৌরি।

মরকসিদা, ইম্ফাল এয়রপোর্টতসু ঙরাংদগী হৌনা শিংজমৈ পুলিস অমদি ইম্ফালগী নার্কোটিক সেলগী ও সী, কে রঞ্জিৎ য়াওনা নোংথক লম্বীদা লাকপা মীওইশিং মরী লৈনবা চে-চাংশিং য়াওব্রা হায়বগী চেক তৌবগী থবক চথরি। ঙসিসু থাঙ্গাল কৈথেলদা হান্না লৈরম্বদগী ময়ুমদা চৎলুবা নন লোকেল কয়া চেক তৌবা থেংনরকখি। মখোয়গী মরক্তা বংলাদেসি মচা অমা য়াওরম্বদগী মাগী চে-চাং কুপ্না চেক তৌখি। অদুবু পাসপোর্ট য়াওরম্বদগী থাদোকখি হায়রি। হৌজিক ফাওবা অফা-অপুনদি লৈত্রি। মোরে এরিয়াদসু মোরে পুলিস অমদি কম্মান্দোশিংনা ম্যানমারগা লোন্নবা ঙমখৈদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথরি। লোয়ননা নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী মাও এরিয়াদসু মাও পুলিসনা দিমাপুররোমদগী চঙলকপা মীওইশিং গাড়ী খামদুনা চেক তৌরি। মসিদা নত্তনা উখ্রুল অমদি নাগালেন্দগী লোন্নবা লম্বী, মিজোরাম অমদি চুড়াচান্দপুরগা লোন্নবা লম্বীদসু পুলিসনা চেক তৌরি।

PROMO OFFER
«RADIANT FITNESS»
LIMITED
50% OFF*
ON REGISTRATION
GET 360° FITNESS AT HALF THE PRICE NOW.
GYM»AEROBICS»ZUMBA»SAUNA»COFFEE»
LOCKER ROOM»CARDIO»YOGA»SPA»
DIETICIAN»NUTRITIONIST»PHYSIO»
VISIT US: RADIANT FITNESS, PALACE COMPOUND GATE, IMPHAL. TIMING: 5:00 AM TO 8:00 PM (SUNDAY CLOSED)
HL-B/4759/21/7-20/8